নহারোলগী থৌদাং
A newspaper dedicated to the cause of Human Rights

SAMSUNG লুহোং-মচল
WATER PURIFIER EUREKA FORBES
SAMSUNG 32" LED
SAMSUNG REFRIG 2/3 STAR 190 LT.
INTEX 7.2 KG WASHER
TATA SKY FREE
₹ 38,000/-
SAMSUNG 43" LED
SAMSUNG REFRIG 2/3 STAR 190 LT.
SAMSUNG 7.2/6.5 KG WASHER
FREE ₹2499
₹ 53,999/-
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.
CHINGTAM, OPP. HOTEL ANAND CONTTL.
SARAJEEVAN ENT, PAONA BZ, IMP.

INTEX
WASHING MACHINE

6.2 KG	= ₹ 7800
7.2 KG	= ₹ 8999
8KG	= ₹ 9999
7.5KG SPL. GODREJ	= ₹ 11500
8.5KG GODREJ	= ₹ 13200

REFRIGERATOR

181 L GODREJ	= ₹ 10600
190 LT SAMSUNG	= ₹ 11400
190 LT 3 STAR Godz	= ₹ 12800
200 LTR	= ₹ 12990

INTEX LED (3 YRS WARRANTY)

24" LED (TV)	= ₹ 8500
32" LED (TV)	= ₹ 11500
40" LED	= ₹ 19999
50" LED SMART	= ₹ 30,000

VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.

ইম্ফাল ৱেষ্টকী এফআইজি ২০ দা তম্ফা ফৌ অমসুং আরসি মনিফৌ-৭ য়েন্থোকপা

মণিপুর গভর্নর নাজমা হেপতুলানা হোম মিনিষ্টর অমিৎ সহা উন্নদুনা মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দর মরমদা পাউদম্বা

২৫ শুবা চহি, ইশু ২২ | www.naharolgithoudang.in | ইম্ফাল, জুন ১২, ২০১৯ ইং, ইঙাগী ১০নি পানবা, য়ুমশকৈশ | RNI 66117/96 Postel Regd. No. MNP | মমল লুপা ৩.৬০

অতেনবা পাউ

মৈ ফংলোই

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুন ১১ ঃ হয়েং তং ১২গী নুংথিল পুং ১২দগী পুং ৪ ফাওবা লাইন মেন্টেনেন্স ৱার্কক্না মরী লৈননা ১১ কেবি ফিদর অসি শটদাউন তৌগনি। মরম অদুনা হায়রিবা মতম অসিদা শিংজমৈ চোংথাম লৈকাইদগী ককৱা অশেম লৈকাই ফাওবা মৈ ফংলোই হায়না এম এস পি দি সি এলগী চেরোল অমনা হায়রি।

উ চারাশিং থাখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুন ১১ ঃ ঙসি অয়ুক শঞ্জেনবম লোকচাও শান্তিপুরদা লৈবা ইরাবত পার্কতা গ্লোবেল ৱার্মিংগী শাথিরবা চৈথেং অসি খরমখৈ হন্থহন্নবগী শরুক অমা উ-চারাশিং থৌরম অমা সিপিআই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোতিনকুমারনা লুচিংদুনা হৌদোকখ্রে হায়রি।

এমদি হেলিম মীহাৎকী মায়োক্তা বন্দ চখখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুন ১১ ঃ হৌখিবা তং ৭তা এন্তি দ্রগ জোইন্ট কন্মিটি খোমিদোক কাইরংনা দ্রগ লল্লোলি হায়বগী মরালদা এমদি অবদুল হেলিম (৬২) হাৎখিববু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসি জে এসিনা কৌখিবা পুং ২৪গী বন্দনা মপুং ওইনা ইম্ফাল ইষ্টকী ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বী অমসুং ইম্ফাল-পাঙ্গৈ লম্বীগী মফম খরদা বন্দ চখখ্রে। লম্লোং-খোমিদোক লম্বীদদি গারি অমত্তা চৎনখিদে। কাইরং মমাং লৈকাইদা য়াম্নবা বন্দ সপ্পোর্টরশিংনা লম্বী থিংবগী খোংজং চখবদগী পুলিসকা মুক্নখি। অদুবু পামদবা থৌদোক্তি থোকখিদে।

কপ্পা কম্পেনি থিংজিনখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুন ১১ ঃ ইম্ফালগী ধর্ম্মসালাদা লৈবা কপ্পা কম্পেনিনা মতম হেল্লবা পোৎ-চৈশিং নৌনা মেন্যুফেকচর দেট শেমদোক্লগা য়োল্লম্বগীদমক কে এস এনা থিংজিনখ্রে। দ্রাইভ অসিগী মতাংদা কে এস এগী জেনরেল সেক্রেটরি এস হেমজিৎনা হায়খিবদা কম্পেনি অসিগী প্রোপাইটর নিরজকী গোদাউন্দদা চেক তৌবদা মতম হেল্লবা পোৎলমশিং মেন্যুফেকচর দেট নৌনা হাপ্লগা য়োল্লম্বা থেংনরকখিবনি। মরম অদুনা কম্পেনি অসি মতম কক্তনা থিংজিল্লে হায়খি।

হৱাদা লৈরাংদো

নোং তাদ্রিসিদি ৱারুরনু ঐনা সেন্টরদা হায়খ্রবনি !!



ইম্ফাল মন্দলে বস সার্ভিস হৌনবা অরোইবা তাঙ্ককতা লৈরে
মন্দলে-ইম্ফাল-গয়াদা ফ্লাইট সার্ভিস লৈহন্নবা হোৎনরগনি

ঃ সিএম

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুন ১১ ঃ ইম্ফাল অমসুং ম্যান্মার লৈবাক অনিগী মরক্তা লল্লোন ইতিক অমসুং টুরিজমগী লমদা হেন্না চাওখৎহন্নবগী পান্দমদা মন্দলে-ইম্ফাল বস সার্ভিস হৌনবগী অরোয়বা তাঙ্ককতা লৈরে। মন্দলে-ইম্ফাল-গয়া অসি এয়র ইন্দিয়াগা খুৎশন্নরগা ফ্লাইট সার্ভিস লৈহন্নবা হোৎনরগনি হায়না ঙসি ইম্ফালগী হোটেল ক্লাসিকগ্রান্দেদা পাংথোকখিবা "কনেক্তিং ইন্দিয়াস নোর্থ ইষ্ট ৱিথ নোর্থ ৱেষ্ট রিজন ওফ ম্যান্মার ঃ রোদ মেপ ফোর ওল রাউন্দ প্রোস্পরিটি" হায়বা অসিদা পাংথোকখিবা কনফরেন্স অসি হৌদোক্লদুনা চিফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোংদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখিবদা ইন্দিয়ানা পায়খৎলিবা এক্ট ইষ্ট পোলিসি অসি মরুওইনা য়ুমথংনরিবা ম্যান্মারগা হেন্না নকশিন্ননবা হোৎনবগী মমি তাই। লোয়ননা ইন্দিয়াগী এক্ট ইষ্ট পোলিসি অসিদা নোর্থ ইষ্ট রিজন অসি হব অমা ওইগদৌরিবনি। মণিপুর অসি স্কুৱার কিলোমিটর ২২,৩২৭ পাক চাওবা অদুগা মীওই মিলিয়ন ২.৭২ লৈবা লমদম অমনি। লোয়ননা মণিপুর অসি সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী ওইনসু ইন্দিয়াগী গেটৱে অমা ওইরিবনি।

মণিপুর অসি ম্যান্মারগী নোর্থ ইষ্ট রিজন অমসুং অতোপ্পা লৈবাকশিংগা শন্নগদৌরিবা এসিয়ান হায়ৱে ১ অমসুং ২ ফাওদুনা চৎলিবা লমদম অমনি। লোয়ননা কম্বোদিয়া, লাওস অমসুং ভিয়েটনামনচিংবা য়ৌগদৌরিবা ইন্দিয়া-ম্যান্মার-থাইলেন্দ ত্রাইলেটেরেল হায়ৱে অসি অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবা হোৎনরিবা অসিগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফাল-মোরে লম্বী অসি হেন্না পাকথোকহন্নবা অমসুং ফিভম ফগৎহন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরি।

ষ্টেট অসিদা রেলৱে লাইন লৈরবনিনা রিজন অসি লোজিষ্টিক ওইবা মথৌ তাবা থবকশিং অদুমক পায়খৎলক্লগনি। রেলৱে লাইন অসি ইম্ফালদগী মোরে ফাওবা য়ৌহন্নবা সর্ভে তৌবা লৈখ্রে। রেল লাইন অসি ম্যান্মার ফাওবা য়ৌহন্নবা খন্নরি। ত্রান্স এসিয়ান রেলৱে লিঙ্ক অসিনা লমদম অসিগী মীয়ামদা শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবগী পোটেন্সিল কয়ামরুম লৈ। ইম্ফাল-মন্দলে বস সার্ভিস হৌনবা অরোইবা তাঙ্ককতা লৈরে। সার্ভিস অসি হৌনবা হোৎনবদা ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমসুং ম্যান্মার গভর্নমেন্ট অনিগী মরক্তা ত্রান্সপোর্ট প্রোটোকোল অমা মথৌ তারি। মরম অদুনা কনফরেন্স অসিদা শরুক য়ারিবা ম্যান্মারগী দেলিগেসনশিংনা মফম অসিদগী হনখ্রগা ইসু অসি ম্যান্মার গভর্নমেন্টতা পুখৎপিয়ু। বস সার্ভিস অসি হৌবা তারবদি মণিপুর অসি তৱাং, রুমতেক অমসুং বোদ্ধগয়ানচিংবদা লৈরিবা বুদ্ধিষ্ট রিলিজিয়ন সেন্টরশিংগী লেন্দ গেটৱে অমা ওইগদৌরিবনি।

মণিপুর অসি লৈবাক অসিগী মরুওইবা অচৌবা সিটিশিংগা এয়র কনেক্তিভিটি শিংথানিংঙাই ওইবা মওংদা লৈরে। ইম্ফাল ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতা এয়র কার্গো টার্মিনেল থম্নবা থৌরাং তৌরি। মণিপুর অমসুং ম্যান্মার অনিগী মরক্তা টুরিজম অমসুং লল্লোন ইতিক্কী থবক হেন্না চাওখৎহন্নবা অমসুং লৈবাক অনিগী মীয়ামগী মরক্তা হেন্না অনকপা মরি লৈনবা মণিপুর অমসুং ম্যান্মার অনিগী মরক্তা এয়র কনেক্তিভিটি লৈহনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। হিরম অসিগা মরি লৈননা এয়র ইন্দিয়াগা খুৎশন্নরগা মন্দলে-ইম্ফাল-গয়া ফ্লাইট সার্ভিস লৈহন্নবা হোৎনরি। মণিপুরদা হৌজিক হৌজিক হেলিকোপ্টর সার্ভিস লৈরে। এয়র এম্বুলেন্স সার্ভিসসু অথুবদা হৌনবগী তাঙ্ককতা লৈরি।

ষ্টেট অসিগী সেক্যুরিটিগী ফিভম অসি হান্নদগী হৌনা নিংথিনা ফগাৎলে। বোর্দর সেক্যুরিটিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা দ্রগ অমসুং নোংমৈ লল্লোনবা য়াওনা ক্রোস বোর্দর টেরোরিজম অমদি ইল্লিগেল মাইগ্রেন্টশিং চখোক চৎশিন তৌবা থিংনবগী থবক য়াম্না কন্না পায়খৎলি। অসিগুম্বশিং অসি থিংনবা আইন কায়না চখোক চৎশিন তৌরিবা অমসুং লল্লোন ইতিক তৌরিবশিং অদু মশক খঙদোক্লবা ইনফোর্মেসন সেরিং তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। শোয়বদগী চংথোক চংশিন তৌবদগী জেলদা নৎত্রগা দিটেন তৌদুনা লৈরিবা লৈবাক অনিগী সিটিজেনশিং থাদোক্লবা হোৎনবদা কোওপরেসন পীনবা চংই।

মোরেদা লৈরিবা ইন্টিগ্রেটেদ চেক পোষ্ট অসি বোর্দর মেনেজমেন্ট অমসুং ত্রেদ ইনফ্রষ্ট্রক্চর হেন্না চাওখৎলক্লবা কম্মিসন তৌবা হৌরে। মোরে অসি এন্ত্রি অমসুং একজিটকী ইম্মিগ্রেসন পোইন্ট অমা ওইনা হান্ননা নোটিফাইদ তৌবা লৈখ্রে। লল্লোন ইতিক্কী থবক হেন্না খুমাং চাওখৎহন্ননবা মণিপুর সরকারনা লোজিষ্টিক পার্ক থম্নবা খন্নরি।মণিপুরদা মেদিসিনেল প্লান্ট, হোর্টিকলচরেল প্রদক্ট, এরোমেটিক প্লান্ট অমসুং *(মখা লমায় ৪দা)*

লাইশঙ থুগায়বগী মরালদা কোর্টনা মীওই ৪ কনভিক্সন পীখ্রে
জুন ২৮ দা সেন্টেন্স হিয়ারিং চখরগনি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুন ১১ ঃ ঙসিদগী চহি ৩ রোমগী মমাংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হোদাম লৈরকতা লৈবা হোদাম লাইরেম্বীবু মী শিবা য়াবা জিআই পাইপ, য়োৎপাক, থাংজৌ, নুংথং অমসুং বিরচান্দনচিংবা শিজিন্নদুনা থুগায়খি হায়বগী মরালদা কৈশামথোং হোদাম লৈরকতা লৈবা তোঙান তোঙানবা মীওই ৪ চিফ জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টনা কনভিক্সন পীখ্রে। লোয়ননা কেস অসিগী সেন্টেন্স হিয়ারিং লাক্লিবা জুন ২৮ দা চখনবা মতম লেপখ্রে।

চিফ জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্টনা হৌখিবা মে ২ দা চখখিবা হিয়ারিং অমদা কোর্ট অসিনা কনভিক্সন পীদুনা সেন্টেন্স হিয়ারিং চখনবা খঙহনখ্রবা এক্কুসসিং অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কৈশামথোং হোদাম লৈরকতা লৈবা অচোম শ্যামকুমার (৬৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা এস ধনু, তখেল্লম্বম দিনমণি মঙাং (৫৭), তোকপম সনাখন (৩৫) অপোকপা থৱায়লেম্বা অমসুং তখেল্লম্বম গ্যানেন (৩৫) অপোকপা ইমোচাতোন নি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কৈশামথোং হোদাম লৈরক্তা লৈবা হোদাম যাদোবচন্দ্র সিংহ (৬১) অপোকপা লৈখিদ্রবা বিরচন্দ্র কৌবা মীওই অমনা কমপ্লেনেন্ট ওইদুনা কোর্ট অসিদা ৱাকৎলকপগী মতুংইন্না শাংলবা চহি ৩ অসি কেস চখরবা মতুংদা ইন্দিয়ান পেনাল কোর্টকী সেক্সন ৪২৭/৪৪৮/ ৫০৩ /৩৪ গী মখাদা এক্কুসসিং অসি হোদাম লাইরেম্বী থুগায়বগী মরালদা কনভিক্সন পীখিবনি।

এদভোকেন্ট কেঐচ ইবোয়াইমানা কমপ্লেনেন্টকী কাউন্সেল অদুগা এদভোকেন্ট দব্লিউ ওজিৎ অমসুং কে সর্জুবলা অনিনা এক্কুসকী কাউন্সেল ওইনা চখরকখিবা কেস অসিদা কমপ্লেনেন্টকী কাউন্সেলনা কমপ্লেনেন্ট অসি হোদাম লৈরক্তা লৈবা হোদাম লাইরেম্বীগী সেক্রেটরি কম সেবাইতনি। অদুবু হায়রিবা লাইগী লম অসি এক্কুস পার্সনশিং অসিনা লৌশিল্লকখি। মসিদগী অকিবা ফাওরক্তুনা হোদাম নবকুমারনা কমপ্লেনেন্ট ওইদুনা হৌখিবা ২০১৫ দা সব দিভিজনেল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্টত্র সিআরপিসিগী অন্দর সেক্সন ১৪৪ (২) গী মখাদা ক্রিমিনেল মিসেলিনিয়স নম্বর ১২ ওফ২০১৫ অমা ফাইল তৌখি। *(মখা লাঃ৪দা)*

আরবিআইনা শেল কায়বা থিংজিনখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুন ১১ ঃ রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগা য়ানখিবগী ৱাংমদা মণিপুর সরকারনা শেল হেন্না কায়থোকখিবদগী হয়েং তং ১২দগী হৌনা লৈরিবা প্রোসিদ্যুরগী মতুং ইন্না মণিপুর গভর্নমেন্টকী ওইনা শেল কায়বা থিংজিল্লে হায়না আরবিআইগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল মেনেজর অনিতা কুমারিনা মুম্বাইদা লৈবা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী চেয়ারমেন্দা চে থাদুনা খংহনখ্রে। চেরোল অদুনা মখা তানা হায়রিবনা আরবিআইগী অথিংবা লৈরিবনা মণিপুর গভর্নমেন্টকী ওইনা এসবিআইদা ত্রানজেক্ট তৌবা খুদিংমক থিংজিন্নবা বেঙ্ক অসি ওফিস / ৱাঞ্চশিংদা ইন্সত্রক্সন পীনবা খংহনখ্রে হায়রি।

হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা ম্যান্মারগী দেলিগেটশিং য়াওনা পাংথোকখিবা কনফরেন্সকা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা দিসিদেন্ট মিনিষ্টর। এমএলএশিং য়াওনা ম্যান্মার টিমগা চাক্লেন চামিন্নবা

লাম্মীশিংনা লৈবাক্কীদমক থৱাই কখোকপগুম
দ্রাইভরশিংসু সোসাইটি অসিগীদমক চপ মান্নবা কখোক্লিবনি

ঃ প্রোঃ চিংলেন মৈস্নাম

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুন ১১ ঃ লাম্মীশিংনা লৈবাক অসিগীদমক থৱাই কখোকপগুম দ্রাইভরশিংনসু সোসাইটি অসিগীদমক চপ মান্নবা কখোক্তুনা থবক তৌরিবনি। দ্রাইভরশিংনা মখোয়গী মপুন্সি অদু ময়ুমদা লৈবগী মহুৎতা লম্বী শরক্তা লেল্লিবনি হায়না ঙসি ওল মণিপুর গভর্নমেন্ট দ্রাইভর্স এন্দ টেক্নিসিয়ান এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা লম্ফেলগী দাইরেক্তোরেৎ ওফ ফিসরি ত্রেনিং হোলদা পাংথোকখিবা ওল ইন্দিয়া দ্রাইভর ফেদেরেসনগী সিলভর জুব্লিগী থৌরমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইকোনোমিক্সকী ফেকল্টি মেম্বর ডাঃ চিংলেন মৈস্নামনা ফোংদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা দ্রাইভশিং অসি অশুক নিংথিনা লাইরিক লাইশু হৈবা নত্তে। অদুবু তোঙান-তোঙানবা কম্যুনিটিশিংগীদমক্তা য়াম্না কন্না হোৎনরিশিংদি দ্রাইভরশিংনি। গারি থৌরিবশিংনা ষ্টাইরিং পায়বা হেক লেপখিবা মতমদা লৈবাক অসিগী ইকোনোমি অমসুং সোসাইটি অসি পুল্লেপ লেপকদৌরিবনি। ষ্টেট অসিদা সরকারনা পায়খৎলিবা গো টু ভিল্লেজ মিসন, স্কুল ফগৎহনসি, এক্ট ইষ্ট পোলিসি অমসুং টুরিজন্না য়াওনা তোঙান-তোঙানবা লমশিংদা ত্রান্সপোর্তিসন হায়বসি য়াওদবা য়াদ্রবনি। লাম্মীশিংনা লৈবাক্কীদমক থৱাই কখোকপগুম দ্রাইভরশিংনা মীয়ামগীদমক থৱাই কখোক্লিবনি। অদুমওইনম সোসাইটি অমসুং সরকার অসিনা দ্রাইভর কম্যুনিটিশিংবু অফবা প্লেটফোর্ম অমদা থন্নিদে । দ্রাইভরশিংনা কখোকপগা লোয়ননা থবক তৌরিবশিং অদু খংলবা খক্তদা সোসাইটি অসি চাওখৎকদৌরিবনি। ৱেষ্টর্ন কন্ট্রিশিংদদি দ্রাইভরশিংবু অৱাংবা থাক্ত ইকাই খুম্নবনা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংনা য়াম্না খুমাং চাওশিন্না চংশিল্লি হায়খি।

কেসিপি নন্দোগা পাউ ফাওনৈ হায়দুনা মরাল
শিজিল্লগা কন্সটেবল মঞ্জুর অহমদ হাৎখিবনি ঃজেএসি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুন ১১ ঃ পুলিস সেক্যুরিটিনা অকনবা মওংদা ঙাক শেনলিবা জেএন হোস্পিটালগী সেক্যুরিটি ৱার্দতগী নম্বোক্লগা চেনখিবা কেসিপি নন্দোগা ঈ পাউ ফাওনৈ হায়বগী চার্জ তৌশিল্লগা হাৎতবা য়াদে হায়বগী মওংদা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টতা কন্সটেবল ওইরিবা এমদি মঞ্জুর অহমদবু লৌতুনবা মানবা মওংদা হাৎখিবনি হায়না জোইন্ট এক্সন কন্মিতি এগেনষ্ট দি কষ্টদিয়েল কিল্লিং ওফ এসএম মঞ্জুর অহমদ পুলিস কন্সটেবল ওন মার্চ ৩০ গী মায়কৈন্দগী ফোঙদোরক্লি।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবদা জেএসি এগেনষ্ট দি কষ্টদিয়েল কিল্লিং ওফ এসএম মঞ্জুর অহমদকী কনভেনর এমদি সালিম অজাদনা হায়, জেএন হোস্পিটালগী সেক্যুরিটি ৱার্দতগী কেসিপি লুচিংবা নন্দোনা নাম্বোক্লগা চেনখিবা মতম অদুদা পুলিস কন্সটেবল মঞ্জুর অহমদতি মশাগী য়ুমদা লৈবনি।

হৌখিবা মার্চ ২৭ তা ফাগৎখিবা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টদা কন্সটেবল ওইরাম্বা এমদি মঞ্জুর অহমদনা কেসিপি নন্দোগা য়াম্না তোয়না পাউ ফাওনৈ হায়রক্লিবা অসি জেএসিনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। অসিগুম্বা থৌওং অসি শিখ্রবা মীওই অমদা য়ারনি হায়না মরাল হেক্তা থংজিনবা থৌওংনি হায়না লৌই।

লৈখিদ্রবা মঞ্জুর অহমদকী মথক্তা শিরিবা মরালশিং অদু মহাক্না হিংলিঙৌদা শুংয়া য়ারমদে। ইম্ফাল ইষ্ট পুলিসনা হেক্তা মহাক্কী মথক্ত মরাল শিজিনলিবা অদু জেএসিনা য়াবা ঙম্লোই।

মঞ্জুর অহমদকী জেএসিগা মণিপুর সরকারগা য়ানখিবা ৱাফমশিং থবক ওইনা অথুবদা পাঙথোকপীয়ু। মঞ্জুর অহমদ মীশি অসি সিবিআইদা খুৎশিন্নগনি হায়না মণিপুর সরকারগী মায়কৈন্দগী *(মখা লমায় ৪দা)*

সস্পেন্দদা লৈখ্রবা অম্মসোগী প্রসিদেন্ট অমসুং
জিএসকী ক্বালিফিকেসনদা ফেক সার্টিফিকেট পায়রম্লে

ঃ সালিম অজাদ

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুন ১১ ঃ ওল মণিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন(অম্মসো) হেদ ক্বার্টরগী হান্না প্রসিদেন্ট ওইরম্বা শাহ নৱাজ অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি য়ুনুশ অলি খুল্লাকপমগী এদুকেস্নেল ক্বালিফিকেসনদা ফেক সার্টিফিকেট পায়রম্লে হায়না হাট্টাগী ফাউন্দর কন্সটিট্যুয়েন্ট বোদি(এফসিবি) গী কনভেনর এমদি সলিম অজাদনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি হাট্টাদা লৈবা অম্মসোগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবদা এফসিবিগী কনভেনর এমদি সালিম অজাদনা হায়, অম্মসো হেক লিংখৎখিবদগী ঙসি ফাওবদা অম্মসোগী কন্সটিট্যুসন বোদিগী মনুংদা ফউন্দর কন্সটিট্যুয়েন্ট বোদি অসি চপ চানা পাৱার লৈবা কন্সটিট্যুয়েন্ট বোদি অমনি। ঙসি অম্মসোগী হেদ ক্বার্টরদা ফাউন্দর কন্সটিট্যুয়েন্ট বোদি অমসুং এদভাইজরি কাউন্সিলগী ওইবা অপুনবা মীফম অমা ফমখি।

অম্মসো হেদ ক্বার্টরগী থৌ পুরিবা একজিক্যুটিব বোদি অসিগী ওফিস বিয়াররশিংগী মনুংদা মহৈরোই নত্তবা মহৈরোইগী মায়খুম উপ্তুনা মহৈরোইনি হায়জিন্দুনা অশাবা চে চাং কয়া অম্মসোগী ইং ২০১৯-২০ গী ইলেক্সন কন্মিতিদা পীশিন্দুনা একজিক্যুটিব মেম্বর ওইরে হায়বগী ৱাকৎ কয়া অমা মায়কৈ কয়াদগী লাকপদগী এদভাইজরি কন্মিতি অসিনা ইন্সটিট্যুট, কলেজ অমসুং য়ুনিভর্সিটিশিংদা চৎতুনা থিগৎলুবদা হৌজিক অম্মাসোগী থৌপুবা ওইরম্বদগী সস্পেন্দ তৌদুনা লৈরিবা অম্মসোগী প্রসিদেন্ট শাহ নৱাজনা সঙাই ইন্টরনেস্নেল য়ুনিভর্সিটি চুরাচান্দপুরদা এমএ এদুকেসন সবজেক্টতা (ইনরোলমেন্ট নম্বর ই ১৭এমএসপিঐচৱাইদল্লিয়ু০০০৭৪) তন্নি হায়দুনা মশানা সহি তৌদুনা থাজিল্লকখি।

মহাক্না থাজিল্লকখিবা নোমিনেসন পেপর অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা থিজিল্লুবদা মহাক অসি য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওঠোরিতিনা অশেংবা মহৈরোই নৎতে হায়না খঙহল্লকখিবনি। প্রসিদেন্ট শাহ নৱাজ অসিগা চপ মান্নবা মওংদা জেনরেল সেক্রেটরি য়ুনুশ অলি খুল্লাকপমনা লিলোং হাওরৈবী কলেজদা বিএসসি ৬ সেমিষ্টর(বোটানি ওনরস) তা রোল নম্বর ০৫৭ দা তন্নি হায়না খুৎয়েক পীদুনা *(মখা লমায় ৫দা)*

লৈবাক অসিদা লৈরিবা লমচৎ য়াওদ্রবা রাজনিটি ৱালাশিংদগী
মোঙ্গোলোইদ ফুরুপ ঐখোয়গী ইচে ইচলশিং কলহৌশি ঃ ডাঃ এনজি বিজয়

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুন ১১ ঃ ঙসি মালেম শিনবা থুংনা মপুং ফানা চাওখৎলক্তুনা ৫জিগী মতমসিদা হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা বিহারদগী লাকপা রাজনিটি ৱালাশিংনা ম্যান্মারদা চৎখিবা ষ্টেদি টুর অমদা চখখিবা য়েংবা অমসুং তাবা নুংঙাইতবা থৌদোকশিং অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা লৈবাক অসিদা লৈরিবা লমচৎ য়াওদ্রবা রাজনিটি ৱালাশিংদগী মোঙ্গোলোইদ ফুরুপ ঐখোয়গী ইচে ইচলশিং অসি কলহৌসি হায়না নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টি (এনইআইদিপি) মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ডাঃ ঙাইরাংবম বিজয়না ফোংদোকখ্রে।

ইম্ফালগী তেরা সাপম লৈরক্তা লৈবা এনইআইদিপিগী ওফিসতা পার্টি অসিগী লুচিংবা কয়াগা লোয়ননা ঙসি নুংথিল পাংথোকখিবা পাউগী মীফম ডাঃ এনজি বিজয়না মখা তানা ফোংদোকখিবদা হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা বিহারগী রাজনিটি ৱালা খরগী কম্মিটিগী মীহুৎ কাংবু অমনা ম্যান্মারদা চৎখিবা ষ্টদি টুর অমদা লোকেল নুপী খরগা য়েংবা নুংঙাইতবা মওংদা হরাও তয়াম্বা ফোংদোকখিবা থৌদোক অদু পার্টি অসিনা কন্দেম তৌই। থৌওং অদু লৈবাক অসিগী লমচৎ য়াওদ্রবা রাজনিটি ৱালাশিংনা মোঙ্গোলোইদ ফুরুপশিংবু হন্থনা য়েংবগী খুদম অমনি।

হৌজিক্কী মতমসি মালেমগী ওইনা মপুং ফানা চাওখৎলবা ৫জিগী মতম অসিদা ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবশিং অসি কঞ্জনবগা লোয়ননা ঐখোয়গী ইনভাইরোনমেন্ট সিটি অমা শেমগৎনবা হোৎনরক্লিবনি। ইনভাইরোনমেন্টনা খুন্নাই অসিবু মপুং ফানা মোংহল্লিবা কার্বন দাইওক্সাইদ অমসুং নাইত্রোজেননচিংবশিং অসি এবজোর্ব তৌহল্লগা গ্রিন এটমোস্ফিয়ার অমদা ঐখোয় ময়াম অসি হিংনবা ৱাখল থাদরিঙৌদা য়েংবা অমসুং তাবা নুংঙাইতবা থৌদোক কয়া থোকহল্লক্লিবসি থেংনমিন্নবা চংই। হৌজিক্কী মতম অসি মালেসিয়াগুম্বদা ইনভাইরোনমেন্ট *(মখা লাঃ৪দা)*

No to Chemical
Yes to Organic

RELIABILITY
ECO-FRIENDLY
GO ORGANIC
FOR HEALTHY & PROSPEROUS MANIPUR
MANIPUR ORGANIC MISSION AGENCY (MOMA)
Department of Horticulture & Soil Conservation, Manipur
Department of Agriculture, Manipur
Under
Mission Organic Value Chain Development for North Eastern Region (MOVCDNER)
Ministry of Agriculture and Farmers Welfare, GOI

মণিপুরগী রাজনিটিগী ৱাথোক অথুবদা লোইশিন্নবা তক্নরগনি

ঃ এম তোম্বী

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুন ১১ ঃ হৌজিক মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা বিজেপিগী চুংশিন্নবা সরকার অসিগী ওইরিবা রাজনিটিগী ৱাথোকশিং অসি অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবা সেন্টরগী লুচিংবশিংগা তক্নরগনি। মণিপুর মীয়াম্না মীপায়নরিবা সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল (সিএবি) গী মতাংদা মণিপুর দিমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্স (এমদিএ) না লৌখিবা ৱারেপ হৌজিকসু অহোংবা লৈতে হায়না ঙসি ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা সিভ সেনা মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী ওফিসতা এমদিএগী ওইনা পাংথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা সিভ সেনা মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ওইবগী মথক্তা এমদিএগী কনভেনরসু ওইরিবা মোইরাংথেম তোম্বীনা হায়খ্রে।

ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা সিভ সেনাগী ওফিসতা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি কয়াগী অপুনবা এমদিএগী লুচিংবা কয়াগা লোয়ননা পাংথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ৱাফমশিং অসি ফোংদোক্লদুনা এম তোম্বীনা মখা তানা হায়, ঙরাং অসি পুং ৫ দগী ৮ ফাওবা পুং ৩ চুপ্পা এমদিএগী ওইবা মীফম অমা ফমদুনা ৱারেপ কয়া লৌখি। ৱারেপশিং অদুদা হৌজিক মণিপুরগী ওইরিবা রাজনিটিগী চরাংনবা, সিএবি অমদি মণিপুর পিপলস বিলগী মতাংদা কুপ্পা খন্ন নৈনখি।

ঙরাংগী মীফম অদুদা মরুওইনা সিএবিগী মতাংদা কুপ্পা খন্ন নৈনবগা লোয়ননা মমাংদসু এমদিএনা বিল অসি মণিপুর প্রজাগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা চংনহন্দনবা হোৎনগনি হায়বা ফিরেপ অদু নৌহৌননা পুখোক্তুনা খন্নবগা লোয়ননা ৱারেপ অদুমক অহোংবা লৈতনবা য়ান্নখি। করিগুম্বা বিল অসিগী মতাংদা দরকার ওইরবদি অথুবা মতমদা দিল্লিদা চৎতুনা বিল অসি ষ্টেট অসিদা চংনহন্দনবা তক্নরুগনি। মসিদসু নত্তনা মণিপুর পিপলস বিলসু মমাংদা ভারতকী প্রসিদেন্টতা এসেন্ট পীবিনবা তকশিনখিবসু লৈখ্রবনি। মখা তানা বিল অসি অয়াবা পীবিনবা হায়জনবগী শেম শাবসু লোয়রে। মসিদা চখোক চৎশিনগী মতাংদা কমদৌসিগে হায়বা অদুসু খন্নরে।

নাকল অমরোমদা হৌজিক মণিপুরদা লৈরিবা রাজনিটিগী ওইরক্লিবা ৱাথোকশিং অসিসু দিল্লি অমসুং মুম্বাইদা চৎতুনা বিজেপি অমদি সিভ সেনাগী নেসনেল লিদর কয়াগা উন্নদুনা মরিক চুম্বা পাউ অমা পীদুনা মপুং ফানা খঙহনগনি। ৱাথোক অসিগী মতাংদা শঙ্গোমনা শঙ্গোম, ঈশিংনা ঈশিং ওইনা লৈহন্দুনা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা পার্টি অসিনা হোৎনগনি।

মণিপুর অসি বৃটিশকী মখুৎতগী মনিং মখা তম্বা চহি ৭০ রোম ফারবা ফাওবদা লমদম অসিগী চিংগী মনুং হুঞ্জিনবা মফম কয়াদা লৈরিবা খুল কয়াদি মেইন রোদ ফাওবা থোরকপদা য়ামদ্রবদা খোংনা নুমিৎ নিনি হুমনি চংবা খুল কয়া লৈরি। মসিগুম্বা খুল কয়া অসিদা সেটেলাইট সিটিগুম লৈরিবা তম্পাক লমগা শন্নহন্দুনা চিং তম নুংশি চান্নবা পুরকসি হায়রবদি লম্বী থোং, মৈ ঈশিং, অনা লায়েং অমদি মহৈ মশিংগী ফিভম ফগৎহনবা তঙাইফদে। মরম অদুনা মসিগুম্বা চিংগী মনুং হুঞ্জিনবা মফমশিংদা খুন্দারিবা প্রজাশিংগী মীহুৎ ওইনা কারক্লিবা এমএলএশিংগা তম্পাক্তগী কারক্লিবা এমএলএশিংগা কেন্দ্রগী চাওখৎ থৌরাং *(মখা লাঃ৪দা)*

এদিটোরিয়েল, লৈবাক্কী পাউ- মপানগী পাউ, ষ্টেটকী পাউ, খঙজিনবদা কান্নবা, থৌদাং স্পোর্টস